# হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, জুন ১৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৮১শুবা মশীং


## কংজাবীগী থৌদোক

### চৈরাককী কোঙ্গোইদগী নাম্ব্রোকহনখিদনবা হোৎনহন্নীংই

হৌখিবা জুন ১০, ২০২১দা ইম্ফালগী নাগামপালগী কংজাবি লৈরক্কী মফম অমদা থোকখ্রিবা থৌদোক্তু নুংঙাইতবা থৌদোকনি। মশাগী চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমগী ঈকাই-খুম্নবা খক্তংদা তেমশিংনবা থৌদোক নত্তে। থৌদোক্তুনা মরম ওইরগা পীক্লিবী অঙাংদুদা পোকহল্লক্কদবা ওন্ন-তৈনবা ৱাখল, মায়োক্রুহল্লক্কদবা 'ষ্টিগমা' ময়ামদুসু লায়থোক্লা লৌরুবা য়ারোই। মরমদি মীওইবা অমগী পুন্সিগা মহাক্কী পূক্নিং ৱাখলগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ। মহাক্না পুন্সি-নুংশাংনা, নাদ-য়েক্তনা লৈবা হায়বসি মীওইদুগী পুন্সি মহিং, মহাক্কী অকোয়বগী ফীভম ময়ামদুদা য়ূম্ফম ওইরক্কদৌরিবনি। থোকহন্নীংদবা থৌদোক্তু থোকখ্রে। মীপূম তিংনা অমসুং লুপ কয়ানা কন্দেম তৌনরে। পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলে। থৌদোক্তুদা চেন্নবনি হায়বগী চার্জদা মীওই অমা ফারে। মহাকপু কোর্টতা পুথোক্লে। ৱাহং-পাউহং চথনবগীদমক পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথরে হায়বখক্তনা য়ারোই। পুলিসনা মহাকপু কষ্টদি রিমান্দ লৌথবদুদি মদুগী মতম লোইরগা কোর্টতা সেকেন্দ রিমান্দ অমুক তৌরক্তবা য়ারোই। মহাকপু মখা তানা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকপা য়াই নৎত্রগনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকপসু য়াই। অমরোমদনা কেসতুগা মরী লৈননা মঙোন্দা তৌরক্লিবা চার্জশিংদু মহাক্কী মায়কৈদগী কোর্টতা ওবজেক্সন তৌরকপসু য়াই। মহাক্কী ওবজেক্সন অমসুং বেল প্রেয়র কোর্টনা অয়াবা পীবা-পীদবা হায়বদুনা কোর্টকী ৱানি। কেসতুগী মেরিট, ওফেন্সতুগী সবষ্টেন্সিএট ওইবা ইভিদেন্স অমসুং ইনভেষ্টিগেসনদুগী গ্রেভিটি অমদি প্রোগ্রেসকী মতুংইন্না মরী লৈনবা লোগী সেক্সনশিংগী মতুংইন্না লেপকদবনি।

মসিনা ৱায়েলশঙগী, কোর্টকী ৱানি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি থৌদোক অমদি থোকখ্রে। থৌদোক্তু মাইনর এজ ওইরিবী নুপীমচা অমা ইনভোল্ভ তৌবা ওফেন্সনি। হৌখিবা চহী ২০১২দগী লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোকসো) এক্ট, ২০১২গী মরী লৈনবা সেক্সন খরা রিফ্লেক্ট শোয়দনা তৌগদবা ইনসিদেন্টনি। মসি ওইরগদি ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিগী মায়কৈদা লোগী সেক্সনশিংনা পীরিবা মেন্দেটরি ওইবা থবক থৌরমশিং অমত্তা চিথদনা মথং মনাও কায়হন্দনা চেকশিন্না লৌখৎপা চংই। থবকশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগীসু এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই অদুবু প্রোজিক্যুট তৌননবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদৌরিবনি। মসিদতা ওফেন্স অমগী ওফেন্দর নৎত্রগা ক্রাইম অমগী ক্রিমিনেল অমবু মহাক্না থৌদোক্তু কম্মিট তৌখি হায়বগী ইভিদেন্স, প্রুফ মতিক চানা পুথোকপদা মরী লৈনরিবা লোগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না পীফম থোকপা চৈরাক পীগদৌরিবনি। মতুংদসু অদুগুম্বা ওফেন্স নৎত্রগা ক্রাইম অদু তৌরুবা য়াদে, ইনভোল্ভ তৌরুরবদি চৈরাক ফংই হায়বসি মীয়ামদা পারা অমা ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা থৌদোক্তুগী মতাংদা হৌজিক হৌগৎলকপদগী হৌরদুনা য়াম্না চেকশিন্না ইনভেষ্টিগেসনগী থবকশিং মেন্টেন তৌহৌগদবনি। ভিক্টিম অমসুং এক্যুইজ অনীমক্কী মেদিকেল ইগজামিনেসনগী থবক, মখোয় অনীগী ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) গী অককন্নবা সেক্সনশিংগী মখাদা পুলিসনা অমসুং মেজিষ্ট্রেট অমনা রেকোর্দিং তৌগদবা ষ্টেটমেন্টশিং, প্রিজার্ভ তৌগদবা সেম্পল অমদি এগজিবিটশিং, ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংগী ওপিনিয়ন, হোষ্টাইল ওইরক্লোইদৌবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসনচিংবশিংগী মতাংদা অমুক শেমদোক-শেমজিন তৌনদনবা থবকশিং চেকশিন্না পাঙথোকহৌগদবনি। ইশম-শন্বদা চেন্নরিবা মীওইদু লোগী চৈরাককী কোঙ্গোইদগী নাম্ব্রোক্তুনা চেনখিদনবা হোৎনহন্নীংই হায়বনি। লো-এনফোর্সিং এজেন্সিনা থরেক-থরেক তৌই, তৌরক্কনি হায়বা নত্তে। পোক্সো এক্টকী মখাদা চথখিবা ৱায়েলশিংদগী লোগী অপাকপা ঈলদগী তুঙ্গোন য়ৌরমদাইদা প্রপ-প্রপ শোনগৎহৌদবদগী চোংথোক্তুনা চেনখিবা, এক্যুইট তৌখিবা য়াওই হায়বনি। দ্রগ কোকথোং অমগা কোন্ননা ফাবনি হায়বা মীওই ফাওবা ৱায়েলশঙনা চৈরাক পীরমদাইদা খূৎ থাফম লৈরমদবদগী খুজিন্না ফাওবা শিকহৌবা ঙমদবা ফাওবা য়াওখ্রে। চেকশিনহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০

১) মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কোলর অমসুং কবি অমগী শৈরেং মতেকনি - "ওইরকই থৱায় পান্দবগী জগৎ প্রকৃতিগী / চঙলকই পুন্সি জগৎতা প্রাণময়গী লমদমদগী / ওইরকই পূক্নিং মনোময় জগৎকী নুংশা শ্বরনা / হৌজিক্তি য়াতারি চরাঙননা মীওইবগী পুন্সিনা / খনজৈ মীওইবনা পস্থুংফম য়ৌরেদনা / লোইরেদনা তীর্থ যাত্রাগী খোঙচৎসে।" কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী "উমরাও জান অদা" হায়বসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "খোইয়ম ব্রহ্মা অচিবা নঙগী সনা তুখোং খুদিংদা তলা উমিৎলোইনা মহে চুম্না য়ানবগুম থবী শেনগোইরেন অপানবনা মঙাল যুমদা চংলবনিনা ফকলাং লোঞ্জা মিফাৎলমদা উফুন সনা হায়ে কুপকুম হন্দোক হঞ্জিন্ননা ফমফল্লিবী মায়া শক্তি লাইরৈমা নঙোন্দগী শিব মহাদেব চোংথোক্লকএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

৪) মহারাজ কুমারি বিনোদিনী দেবীগী "যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল' ফংখিবা লাইরিক্তু করি লাইরিক্নো?

৫) মণিপুরী সাহিত্যগী (মণিপুরদা ফোঙবা) অহানবা চেফোঙ অদু করিনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি
১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৩,)
২) লাইশ্রম এলেনা, টোপ খোংনাং মখোঙ - (২,৩)
৩) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (২,৩,৫)
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩)
৫) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (২,৩)
৬) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (২,৩)
৭) ইবোমচা ওইনাম, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক - (২,৩)
***৮) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)***

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৯গী ৱিন্নর

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ১৯গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯গী পাউখুম

১) "খোঙকাপ চৎফম উদবনা শমুখোঙকাপ থাংবদি লফুৎ ফমজিংলাংনা মিথুনৈএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? ***:- 'লাংলোন'***

২) "মৈতৈ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন" (খৃ: ১৯৩০) হায়বসি মতুংদা করি হায়না খঙনখিবগে? ***:- 'মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন'***

৩) ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক "ইবেনবোক্কী ৱারী" (১৯৫৯) হায়বসি কনানা ইবনো? ***:- দব্রিয়ু তোমচৌ***

৪) "ঐগী রাধে রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নশা ৱানবনি নোম্মুনু/নখূৎ মোৎনবনি শূরুনু/ঐনা হায়বা তাও রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নপাঙ্গল কেম্নবদি শূরুনু রাধে।" মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবিদু কনানো? করি শৈরেং (মমিং) নো? ***:- কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্র, শৈরেংগী মমিং 'ঐগী রাধে'***

৫) জর্মনগী ফাওরবা অইবা হেরমন হেস: গী "সিদ্ধার্থ" হায়বা লাইরিক্তু মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ***:- চোংথাম সমরেন্দ্র***

# কোভিদ-১৯ নারবশিংদা মতৌ করম্না ওক্সিজেনগী চাং হন্থরক্লিবনো? দেক্সামেথাসোন শীজিন্নরগা করম্না ওক্সিজেনগী চাং হেনগৎলকপগে?

সাইন্সকী খোঙচৎ


**কুঞ্জো নাওরেম**

*Oxygen plays a pivotal role in the proper functioning of the immune system. We can look at oxygen deficiency as the single greatest cause of all diseases.* ***- Stephen Levine***

ওক্সিজেন, ওক্সিজেন,..., কোরোনা লাইচৎকী চিরবা তানফমসিদা ওক্সিজেন ফংনদবগী অৱাবা অমসু হাপচিল্লকপগী তানফম অমা লৈখি; কোরোনাভাইরস (সর্স-কোভ-২)না ইনফেক্ট তৌদুনা কোভিদ-১৯না নারকপদগী শাথীবা সিম্পটমশিং উৎলকপা, ঈদা য়াওরিবা ওক্সিজেনগী চাং য়াম্না হন্থরকপা, ... ওক্সিজেন পীরকই পীরক্তে, থারকই থারক্তে হায়দুনা ওক্সিজেন্দা পোলিটিক্স তৌনবগী ফীভম ফাওবা থেংনখি; হোস্পিটালশিংদা অনাবশিংগী থৌগল তৌরিবশিংনা ওক্সিজেন মুন্নবগী থৌদোকশিং থোকখিবসু লৈখি। মণিপুরদসু লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা ওক্সিজেন কৎপা (দোনেট তৌবা) য়ারোই হায়বগী মতাংদসু পাউচেশিংদা ফোঙনরকপা থেংনখি। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো; কোভিদ-১৯গী শাথীবা সিম্পটমশিং উৎলকপা অনাবশিংদা মতৌ করম্না ঈদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং হন্থরক্লিবনো হায়বসি খঙজিনবদা অদুমক কান্নবা ওইগনি নীংই। অদুগা দেক্সামেথাসোন হায়রিবা হীদাক অসিনা মতৌ করম্না ঈদা ওক্সিজেনগী চাং হেনগৎহল্লকপগে হায়বগী মতাংদা খঙজিনবসিসু নুংঙাইবা অমসু ওইগনি খন্দুনা ঙসিগী ৱারেং অসি ইজবনি।


সেচুরেসন ওফ পেরিফরল ওক্সিজেন ($SpO_2$), শম্না ওক্সিজেন সেচুরেসন নৎত্রগা ঈদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং হায়বসি ঈদা য়াওরিবা ওক্সিজেন পুবা ঙমদবা হিমোগ্লোবিন (রেদ ব্লদ সেল) গী চাংগা চাংদম্নরগা ওক্সিজেন পুরিবা হিমোগ্লোবিন (রেদ ব্লদ সেল) গী চাং অদুবু ওনবনি। ঈদা ওক্সিজেনগী চাং য়াম্না হন্থরকপবু হায়পোক্সেমিয়া কৌই, অদুগা ঈদা ওক্সিজেন হন্থনা য়াওরকপদগী টিস্যুশিংদা ওক্সিজেন হন্থনা য়াওরকই - মসিবুনা হায়পোক্সিয়া কৌই। হায়পোক্সিয়াগী সিম্পটমশিংসি মী অমগা মী অমগা খেন্নবা য়াই, অদুবু তোয়না থেংনবশিংদি : উনশাগী মচু হোংলকপা, চমন্নবা, থম্মোয় থুনা খপ্পা, শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোনবা, থম্মোয়গী খপ্পগী চাং তপথরকপা, হুমাং কাংবা অমসুং শ্বর হোনবদা মখোল থোরকপনচিংবা পনবা য়াই।

কোভিদ-১৯না নারবা অনাবশিংদা মতৌ করম্না ওক্সিজেনগী চাং হন্থনা য়াওরক্লিবনো অমসুং দেক্সামেথাসোন্না করম্না মদুবু ফহনবগে হায়বগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ অলবর্টা ফেকলটি ওফ মেদিসিন এন্দ দেন্তিস্ত্রিগী এসোসিএট প্রোফেসর, Shokrollah Elahi না লুচিংবা থিজিন-লূপ অমনা চাংয়েংশিং পাঙথোকখি। মখোয়গী থিজিনবসিদা কোভিদ-১৯না নারবা মীওই ১২৮গী ঈগী সেম্পলশিং লৌরগা নৈনখি। মখোয়গী মনুংদা শাথীনা নারবদগী আই সী য়ুদা থমখিবা, ময়ায় ওইরপ্পা সিম্পটমশিং উৎতুনা লায়েংশঙদা লৈরম্বা অমসুং কন্দবা সিম্পটমশিং উৎপা লায়েংশঙদা পুং খরা লৈরম্বা অনাবশিং য়াওরি। থিজিন-লূপ অসিনা, অনাবগী ফীভম্না ফৎচিল্লক্তবগা লোয়ননা মপূং ফাদ্রিবা (ইনমেচ্যুর) রেদ ব্লদ সেলশিংনা ঈগী ঈচেলদা অরৎ-অখম লৈতনা চেনশিল্লকপা থেংনরম্মী; করিগুম্বা মতমদদি মখোয়গী চাংসি অপূনবা রেদ ব্লদ সেলশিংগী চাদা ৬০ ফাওবা য়ৌরকপা য়াওই। মসিগা চাংদম্নবদা, মশা-মউ ফবা মী অমদদি মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিংসি




দেক্সামেথাসোনগী ষ্ট্রকচর

১%দগী হন্থে নৎত্রগা শুকয়াও য়াওদবসু য়াওই হায়না 'ষ্টেম সেল রিপোর্টস'না পাউদম্লল্লি।




মশা-মউ ফরিবা মী অমদা মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিংসি বোন মেরোদা লৈ, অদুনা ঈগী ঈচেলদা উবা ঙমদে। অদুবু কোভিদ-১৯না নারবা মী অমদদি, ভাইরস অসিনা অদুগুম্বা সেলশিংদুগী ফংফমদা অকনবা শাফু পী। মতাংসিদা ৱাফম অনীখক চোংথোরকই : মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিংনা ওক্সিজেন পুরগা চৎপা ঙমদে, মপূং ফারবা রেদ ব্লদ সেলশিং-খক্তনা থবকসি পাঙথোকপা ঙম্মী। অনীশুবা অসিনা, মপূং ফাদ্রিবা সেলশিংসি কোভিদ-১৯ ভাইরসনা য়াম্না লায়না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্মী। অসুম্না মাঙহন-তাকহনখিবসিনা, নুমিৎ ১২০মুক হিংবা মপূং ফারবা রেদ ব্লদ সেলশিংগী মহুৎ শিনবসি ঙল্লক্তে; অদুনা ওক্সিজেন পুরগা চৎকদবা, মপূং ফারবা রেদ ব্লদ সেলশিংগী চাং হন্থরকপদগী ঈদা ওক্সিজেনগী চাং হন্থরকপনি।

মতাংসিদা হংবা য়ারিবা ৱাহংদি, মতৌ করম্না কোরোনাভাইরস অসিনা মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিংদা ইনফেক্ট তৌবগে হায়বসিনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ অলবর্টাগী লি কা শিং ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজিগী Lorne Tyrrell গা খূৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদা খঙলকখিবদি, মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিংনা রিসেপ্টর ACE2 অমসুং কো-রিসেপ্টর TMPRSS2 বু এক্সপ্রেস তৌবা ঙম্মী, অদুনা সর্স-কোভ-২না মখোয়বু ইনফেক্ট তৌবা ঙম্মী হায়বসিনি। অসুম্না ফংলক্লিবা অসিদগী মরু ওইরবা ফল অনীখকসু ফংবা ঙল্লকখি। অহানবদা, মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিংসি ভাইরসনা হাৎতোকখিবা মতমদা হকচাংনা দরকার ওইরিবা ওক্সিজেনশিংদু ফংনবগীদমক, বোন মেরোদগী মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিং হেন্না থাদোরকই; অদুনা নৌনা থাদোরক্লিবা মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিংদুবু মখা তানা ভাইরসনা মাঙহল্লি। অনীশুবদা, মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিংনা ইম্যুন সিষ্টমদা অকায়বা পী; মখোয়না এন্টিবোদিশিং পুথোকপবু থিংদুনা থম্মী অমসুং টি-সেলশিংনা ভাইরসতুগী মায়োক্তা মথৌ তৌরকপদা মখোয়না অয়েৎপা পী; অদুনা ফীভমদু হেন্না ফৎচিল্লক্তবা হায়বদু ওইরকই। অসুম্না মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিং য়াম্না পুথোরকপসিনা ইম্যুন সিষ্টমবু শোন্থহন্দুনা কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবদা অরুবা ওইহল্লি।

মখা তারকপদা, থিজিন-লূপ অসিনা এন্টি-ইনফ্লেমেটরি দ্রগ অমা ওইরিবা দেক্সামেথাসোন্না কোভিদ-১৯ নারবশিংগী শিবগী চাং হন্থহনবা অমসুং নাহনবগী মতম তেনশিনহনবগী মতাংদা থিজিনখি। মতমসিদা মখোয়না মরু ওইবা মেকানিজম অনীখক থেংনখি। অহানবদা, দেক্সামেথাসোন্না মপূং ফাদ্রিবা সেলশিংদা, ACE2 অমসুং TMPRSS2 রিসেপ্টরশিংনা সর্স-কোভ-২দা পীরকপা পাউখুমদুবু থিংদুনা থম্মী; অদুনা ইনফেক্সন থোকপা য়াবগী চাং হন্থহল্লি। অনীশুবদনা, দেক্সামেথাসোন্না মপূং ফাদ্রিবা রেদ ব্লদ সেলশিংনা মপূং ফারকপগী চাংসি থুগৎহন্দুনা, সেলশিংগী ন্যুক্লিয়সশিংনা থুনা কাইথরকই। অসুম্না ন্যুক্লিয়সশিংনা কাইথরকপসিনা ভাইরস অদুনা রেপ্লিকেট তৌনবগী তাঞ্জা পীদে। অদুনা ভাইরসশিংসিনা ইনফেক্ট তৌবদা অপনবা পীদুনা ভাইরসপু মায়থীবা পীবা ঙম্মী। Elahi না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়না কোভিদ-১৯ লায়েংনবগীদমক অনৌবা হীদাক অমা পুথোকপা নৎত্রবসু মতৌ করম্না কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ঈদা ওক্সিজেনগী চাং হন্থরকপা অমসুং দেক্সামেথাসোন্না কোভিদ-১৯ লায়েংনবগী অনৌবা পাম্বে অমা পুথোকপদা মতেং পাংলগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●

# ৱিন্টর ওলিম্পিক

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

ৱিন্টর ওলিম্পিক (নিংথম থাগী ওলিম্পিক) কী খ্বাইদগী মরু ওইবা, দরকার লৈবা পোৎচংদি উন মরাং কায়না তাবনি। মরম অসিনা ৱিন্টর গেমস অসি অঙৈংবা উন মরাং কায়না তাবা চীংখোঙদা তৌনৈ। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ৱিন্টর গেমস অসি কুমজা ১৯২৫দা শকখঙবীখি। গেমস অদু ইন্টরনেসনল ৱিন্টর ৱীক হায়না কৌরম্মী। অদুবু মতুং তারকপদা মসিবু অহানবা নিংথম থাগী ওলিম্পিক হায়না খঙনখ্রে। তৌইগুম্বসুং ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী থৌরম অমা ওইরিবা Figure Skating অসি লন্দন সহরদা কুমজা ১৯০৮দা পাঙথোকখিবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা য়াওখিবা থৌরম অমনি। কুমজা ১৯১১দা ইটলি মচা য়ুগেন দি য়ুসলিউক্স কৌবা অমনা তোঙানবা নিংথম থাগী মতমদা পাঙথোকপা ওলিম্পিক অমা পাঙথোকসি হায়বা ৱাফম অমা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিদা থাঙ্গৎখিবদা য়ুরোপকী অৱাং থংবা শরুক্তা অঙৈংবা, উন য়াম্না তাবা মফমদা লৈবা স্বিটজরলেন্দ, স্বিদেন, নোরৱে অমদি ফিনলেন্দনচিংবা লৈবাকশিংদি য়াম্না হরাওজখি। মসিগা লোয়ননা কেনাদা অমসুং য়ু এস এসু শান্নবগী অনৌবা খোঙথাং অসিদা থৱায় য়াম্না য়াওখি। তৌইগুম্বসুং য়ুরোপকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা অঙৈংবা লৈবাকশিং অসিদা লৈবা স্বিদেনদা কুমজা ১৯০১দগী 'নোরদিক গেমস' হায়না খঙনবা উন মথক্তা শান্নবগী অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম অমা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লম্মী। অদুবু কুমজা ১৯২০দা পাঙথোকখিবা সম্মর গেমস ফিগর স্কাটিং অমসুং আইস হোকিগী থৌরম য়াওহনখি।

ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিং অমদি শান্নবগী অশিল অরাং তৌরিবশিংনা কুমজা ১৯২২দা মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা কুমজা ১৯২৪দা ৱিন্টর স্পোর্টস ৱিক অমা 'চামোনিক্স' কৌবা মফমদা পাঙথোকসি হায়না ৱারেপ লৌখিবদা লৈবাক ১৬না শরুক য়াদুনা অহানবা ৱিন্টর ওলিম্পিক পাঙথোকখি। ফ্রান্স ওলিম্পিক কম্মিটিনা স্কৱার মিটর ২৭,০০০ চাওবা মফম অমদা অনৌবা আইস ষ্টেদিয়ম অমা শাখি, ষ্টেদিয়ম অসিগী থংনবদা আইস হোকি শান্নফম অনী অমগা মিটর ৪০০ শাংবা আইস ত্রেক অমগসু শেমখি। অদুবু লাইবক থীবদি গেমস অদু হৌরমদাইদা উন মরীক অমা ফাওবা তারকখিদে। মরম অদুনা অশিল অরাং তৌরিবশিং অমদি শান্নরোয়শিং অদু অহানবদা নীংবা কায়রম্বদগী অকোনবদা উন মরাং কায়না তারক্তুনা অহানবা ওলিম্পিক অদু পাঙথোকপা ঙমখি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা চহী অনীগী মতুংদা কুমজা ১৯২৬তা 'ৱিন্টর স্পোর্টস ৱিক' হায়না খঙনরম্বা উন মথক্তা শান্নবদা মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিবু 'অহানবা ৱিন্টর গেমস' হায়না শকখঙখি।

ৱিন্টর গেমস অসি ৱাথোক কয়ামুক লৈদুনা গেমস অসি হৌজিক্কী থাক অসি য়ৌরক্নবা হোৎনবদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী অচৌবা থৌদাং কয়ামুক লৌখি। অহানবা থৌদোক ওইনা ইন্টরনেসনল স্কি ফেদরেসনদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা স্কি তম্বীবা ওজাশিং কুমজা ১৯৩৬কী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা য়াদে, ৱাফম অদু কুমজা ১৯৩৫দা থোকখিবা নোটিশনি। ফেদরেসনগী রুল মতুংইন্না ওজা ওইবশিং অসি প্রোফেসনেল নত্তে। অদুবু অনীশুবা লাঞ্জাও লাকপদগী থবক খুদিংমক ৱাফম অমত্তা ময়েক শেংনখিদে। লাঞ্জাও অসি লোইখিবা মতুং কুমজা ১৯৫২দগী হৌনা ৱিন্টর গেমস অসিগী খোঙথাং খুদিংদা অয়েৎপা লৈখিবা নুপাদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অভরি ব্রুন্দেজনি। মহাক্না ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্তবা অসি য়াম্না পামদে। গেমস অসি পরিং নাইনা চহী মরি/মরি লৈরগা অদুম চথবা অসি পাম্মী। অদুবু মহাক্তি শান্নরোয়শিং অসিনা অচৌ অচৌবা কম্পেনি, কোর্পোরেট হাওস, শেঞ্জাও পায়বা লল্লোন ইতিক তৌবশিংগী এদভর্টাইজ তৌহল্লগা য়াম্লবা শেনফম পীবগী চৎনবী 'প্রোফেসনেল' ওইহনবগী থৌওং অসি পামদে, মসিনা ওলিম্পিক্কী স্পিরিট মাঙই, ওলিম্পিক্কী চৎনবী নত্তে হায়দুনা য়াম্না শাওই।

মহাক্না কুমজা ১৯৭২দা জপানগী হোকায়দো ঈথক্তা লৈবা সাপ্পোরো কৌবা মফম অদুদা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসতা অষ্ট্রিয়াগী মমিং চৎপা শান্নরোয় কার্ল শ্রানসবু দিসক্কালিফাই ওইহনখি, শান্নবদা য়াওহনখিদে। মদুদা মহাক্না হায়খি মদুদি কার্ল শ্রানসনা স্কিঙ মশান্নদা দোল্লর লিশীং লিশীং ফংখ্রে। সাপ্পোরো ওলিম্পিক অসি হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা পাউচে, রেদিও অমসুং টেলিভিজনগী হেদ লাইনদা "Schranz case" হায়বা ৱাহৈ অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা মীয়ামগী মীৎয়েংফম ওইবা পাউগী কলম ওইরম্মী। পাউ অদুগী ৱারমশিংদি 'ওষ্ট্রিয়াগী অলপাই স্কায়র কার্ল শ্রানস অমেচরগী কাঙলোন থুগাইবগীদমক 'ওলিম্পিক ভিলেজ' থাদোক্তুনা চৎখিগদবনি। মমিং চৎলবা অফাওবা স্কায়র কয়ামুক অমেচরগী কাঙলোন থুগাইরবসু স্পোর্টস অসিদগী শেল কয়ামুক তাল্লবসু মখোয়বুদি খঙশিন্নখিদে অদুবু কার্ল শ্রানস মতোমতা খন্দোক্লগা তোঙান্না চৈরাক পীবা অসি নুংঙাইতে। "অসিগুম্বা অথিংবা অমা থম্বা অসিগী ৱাহন্থোক্তি স্পোর্টস অসি কম্মর্সিয়েল, লল্লোন ইতিক তৌবগী ফীভমদা তপ্না তপ্না চঙশিল্লকপনি।"

ওলিম্পিক্কী প্রসিদেন্ট অভেরি ব্রুন্দেজনা হায়খি, সাপ্পোরো ৱিন্টর ওলিম্পিক অসিগী অনৌবা খোঙথাং অমা ওইনা য়ুরোপ লৈবাক্তা লৈবা এথলিট নত্তবনা এলিয়াগী শান্নরোয় অহুম্না থৌরম অমদা অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা পোজিসন ফংদুনা মেদল লৌবা ঙম্বা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মদুদি "Small hill ski jump" গী থৌরমদা জপানগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা অহুম্মক মেদল ফংখি। পোলেন্দ অমসুং স্পেনসু গেমস অসিদা অহানবা ওইনা ৱিন্টর ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখি। পোলেন্দগী Wojciech Fortune না স্কি জম্পতা অদুগা স্পেনগী Francisco Fernandez Ochoa না Slalom গী থৌরমদা মেদলশিং অসি ফংখিবনি। আইস হোকি, উন্দা হোক্কি শান্নবগী থৌরমদা 'প্রোফেসনেল' ওইনা শান্নরোয় ওইবশিং ওলিম্পিক অসিদা কেনাদাগী টিমদা য়াওরম্মী। মদুদা ইন্টরনেসনল আইস হোকি ফেদরেসন অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা কেনাদাগী টিম তান্থোকখি। য়ু এস এস আরনা থৌরম অসিদা সনাগী মেদল ফংখি অমদি য়ু এস এ অমসুং জেকোসলোভাকিয়ানা মথংশিৎনা লুপাগী অমদি শেঞ্জেংগী মেদল লৌখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।